ক্বা জর্দা চাদবী মৌ ২৯দা শামতুগী ইন্নফি খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা)না কোনবা এরিয়াদা লৈবী ২০১১ ফাওবদা ময়ুম পাল্লকখিবী চহী ৬০গী মনুংদা লৈবী মৌ ২৯দা শামতুগী ইন্নফি খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

তশেংনা হৌজিক ওইরিবা খুন্নাই অসিগী ফিভম অসিদা ময়াই কাবা চিঙাক মখল কয়ানা লাঙ্গৈাই চনশিল্লক্লবা খুন্নাইনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চহী নৌরিবা নহা কয়ানা নম্বর ফোর, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, এন টেন টেব্লেট অমদি এস পি টেব্লেটনচিংবা শিজিন্নবা অমদুগা য়ুম পাল্লবী মৌশিংনা জর্দা চাশিল্লকপা অহল খরা ওইশিল্লকপশিংনা য়ু অয়াম্বা শিজিন্নরকপদগী থোকহৈদবা থৌদোক কয়া থোরকপা অসিনা খুন্নাই অসি কাং-খোঙ চাইরবা খুন্নাই অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অসিনা মৈতৈগী থৌদোক-ৱাথোক কয়াদা জর্দা অমদি য়ু য়াওবগী চৎনবী অসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চিঙাক্কী ইপাক্তা তপ্না-তপ্না লুপ্তুনা ইং-তপ্পা লৈতবা লমদম অমা ওইরগনি হায়বা ৱাফম লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা লৈবাক মীয়ামদা থমল্লক্লি।

থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): থাবুম অমা চুপ্পা নুপী লাল মেমোরিয়ল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চথরকপা ৮০রকশুবা নুপী লাল সেলেব্রেসন মন্থ হয়েং নুপী লাল মেমোরিয়ল কমপ্লেক্সতা লোইশিনবা থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লোংজম পেটরনা ফোঙদোরক্লি।

তেরাদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা পেটরনা হায়খি, থাবুম অমা চথরকপা থৌরমদা নুপী লালগী ইমাশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা তর্পন কৎখি। নুপী লালগা মরী লৈননা ৱারী-শিংবুল খোমজিন-তাশিনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা চীফ গেষ্ট ওইগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুপীশিংগী তেংবাং দেস্ক থমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০(ঐচ এন এস): নোংমা কাংদনা থোক্লিবা নুপীশিংদা মীওৎ-মীনৈ, সেক্স্যুএল এসোল্ট চথুবীবা কয়াদা নুপীশিংনা তাকথোক-তাকশিন তৌনবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ষ্টেসন খুদিংদা নুপীশিংগী তেংবাং দেস্ক (ৱিমেন হেল্প দেস্ক) থম্লে হায়না এস পি ককচীং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম (এম পি এস)না ফোঙদোরক্লি।

নুপীশিংনা পুলিসতা ৱাকৎনিংবা, পুলিসকী মতেং লৌনিংবা মতমদা পুলিস নুপা ওফিসর নৎত্রগা পর্সনেলদা হেক্তমক হায়দোকপদা ইকাই-হঙ্গোয়বা ৱাফম কয়া অমা থেংনরিবা অদু কোক্লনবা পান্দমদা নুপীশিংগী তেংবাং দেস্ক অসি থম্বনি। দেস্ক অসিনা নুপী ওইবীশিংনা পুলিসতা ৱাকৎনিংবা, ফোঙদোক্লিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপদা ইকাইবা, হঙ্গোয়বা লৈহন্দবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কনফরেন্সতা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া দেম্মক্রেটিক ৱিমেন এসোসিএসনগী ১২ শুবা নেসনল কনফরেন্সতা ওল মণিপুর দেম্মক্রেটিক ৱিমেন এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অয়েকপম অশাবালানা দেলিগেট অমা ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখ্রে।

ওল মণিপুর দেম্মক্রেটিক ৱিমেন এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি ঐচ রঞ্জিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল কনফরেন্স অদুদা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অয়েকপম অশাবালানা ৱিমেন মুভমেন্টকী মতাংদসু ৱাফম কয়া পুখৎখি। পার্লিয়ামেন্ট অমসুং লেজিসলেচরগী ওইনা চাদা ৩৩ নুপীশিংগী সিট রিজর্ভেসন তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। লোয়ননা সী এ এ অসিনা নোর্থ ইষ্ট রিজনদা শোকহনগদবা কয়া লৈবনা মসি রিপিল তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। নুপীশিংগী ওইবা হীরম কয়াসু কনফরেন্স অদুদা পুখৎতুনা খন্ন-নৈনখি।

ওল ইন্দিয়া দেম্মক্রেটিক ৱিমেন এসোসিএসনগী মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা নেসনল কনফরেন্স অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী দেলিগেট কয়া শরুক য়াদুনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

ওজা এন সনাজাওবগী ৭৪রকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লেকচর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়ল ট্রষ্ট অমদি রোয়ল একাদেমী ওফ লো ওইনামনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা ওজা এন সনাজাওবগী ৭৪রকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ১০রকশুবা ওজা এন সনাজাওবা মেমোরিয়ল লেকচর ২০১৯ ঙসি রোয়ল একাদেমী ওফ লো ওইনামগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা হায়খি, লৈখিদ্রবা প্রোফেসর সনাজাওবা শক্লাইরবা মীশক অমনি। মহাক অসি মণিপুরগী একাদেমীক দিস্কসন অমদি অতোপ্পা ইস্যু কয়াদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারম্বা মীওই অমনি। মহাক নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লো চপ চানা খঙবা মীওইনি। ঙসি লৈরিবা নেসনল অমদি ষ্টেটকী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অসি ওজা সনাজাওবা লৈরম্লবদি সজেসন অমসুং ওপিনিয়ন কয়া পুথোক্লগা মীয়ামদা চপ চানা খঙহল্লমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ওজা সনাজাওবা অসি লোগী লমদা নীংথিনা খঙ-হৈবগা লোয়ননা একাদেমীক দিস্কসন কয়াদা শরুক য়াদুনা ৱাখল লৌশিং কয়া পীরম্বা লুচিংবা অমনি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী লো মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ইস্যু কয়াদসু শরুক য়ারম্বা মীওই অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পেরা লিগেল ভলন্টিয়র মৈরা পায়বী, সী এস ও অমদি রোয়ল একাদেমীক ওফ লো ওইনামগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিং শরুক য়াখি। লেকচর অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইট্‌স কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা স্পিকর ওইখি। এল এম এস লো কোলেজ ইম্ফালগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এন প্রমোদ অমদি কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট্‌সকী ফোর্মর চীফ ফঙ্কসনরি এদভোকেট সী ঐচ সুর্জিৎনা লেকচর অদুদা মরুওইবা ওবজার্ভেসন কয়া থমখি।

ইমর্জিং চেলেঞ্জ ওফ হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর সী এস ও এন্দ ষ্টেট ইন্টরভেন্সন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মেমোরিয়ল লেকচর অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সকী ফোর্মর দিন প্রোফেসর এন রাজমুহোননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর এন নিমাই অমদি রোয়ল একাদেমী ওফ লো ওইনামগী প্রিন্সিপাল ইরেংবম জুগেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - মাপলনি চনবা

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *খোইরি নাওফম* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ১৬ শুবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি মাপলনি চনবদা চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *খোইরি নাওফম* হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন, কোনুং লম্পাক্তা চথরিবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা উৎখিবা খোইরি নাওফম অসি লোইতোংবম দোরেন্দ্রনা দিরেক্টর ওইবনি। লীলা অসিগী ৱারীদা মীওইবগী পুন্সিদা য়ুম পাল্লগা অঙাং য়াওদবা হায়বসিদগী হেন্না অৱাবা লৈতে। কনাগুম্বনা অঙাং অমত্তং ফংলবদি হায়দুনা মখল কয়াগী পান্থে থিনরি। মতৌ অসুন্না জিরিবামদগী পোইরৈ অমদি লিম্থোইসু মচা অমত্তং ফংজরবদি হায়দুনা পান্থে থিখি। অসুম থিরকপদা ডোক্তরসু নত্তবা, মাইবসু নত্তবা অনা-লায়েংবা তোন্দাং থেংনদুনা লায়েংবা হৌখি। তোন্দাংগী য়ুমদা লায়েংলিঙৈ মতমদা তোন্দাংগী মতৈমা পুকচেল পীকপী ইবেল্লৈ অমদি কম্মান্দো লিৎপগা শীন্নদুনা অমত্তা য়াওজবী মচলনুপী লাংলেনবু পোইরৈদা নমদুনা কন্যা কৎখি অমদি লৈকায়দগী তাম্থোকখি। লিম্থোই অঙাং অমা ফংখি। মপা য়াওদনা মচা য়োকপা হৌরকখি। মীওইবগী পুন্সি তন্বা ঙমদে। ইবেল্লৈ অমদি মনাওনুপা য়াইমা কিদনি অমসুং হার্ট য়ারকখিদে। দোনর থিরকপদা লিম্থোইনা দোনর ওইগনি হায়দুনা লেপখি। মতাং অসিদা লিম্থোইদি ব্লদ কেন্সর লাষ্ট ষ্টেজদা লৈরমখি। মচাগীদমক খল্লগা কিদনি অমদি হার্ট দোনেসন তৌরমখি। তোন্দাংগী লোয়নবী সনারৈনা লিম্থোইনা হুন্দোক্লম্বা মচা ঙাম্থোই য়োক্লকখি। ঙাম্থোইবনা কোসেমনা লৌবা এগজামদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মকোক ওইরকপদা ক্লবনা ওকপগী থৌরম পাঙথোকপদা পোইরৈনা ঙাম্থোইববু লৌবা লাকখি। অদুবু ঙাম্থোইবদি মপাগী মতুং ইন্নদুনা চৎলু হায়বা য়াখিদে। পোইরৈনা মচা তোন্দাং অমদি সনারৈগী মফমদা শীন্নরমদুনা পোকপদগী য়োকচবনা হেন্না মতিক ময়াই লৈ হায়বদু উৎপনা পোলোই ওইখি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি, নুপাদা পোইরৈদা প্রেম শর্ম্মা, অচৌবদা জোগেন্দ্র, তোন্দাংদা সনাতোম্বা, ঙাম্থোইবদা অমর, খাবদা লোকেন, মপাদা ইরাবোত, য়াইমাদা তারিক, লোয়াদা তাইবংঙানবা, লিৎপাদা জেতিননি। নুপীদা লিম্থোইদা দেবচান্দ, সনারৈদা সুমিন্দ্রো, ইবেল্লৈদা উমানন্দ, লাংলেনদা তোননি। ঈশৈ-নোংমাইদা নুপা খোঞ্জেলদা সুনিল নিংথৌজা, নুপী খোঞ্জেলদা সুমিন্দ্রো, কি-বোর্দতা অমরজিৎ, গিটরদা কেদরনাথ, তবলাদা তোনি, পেদ ড্রমদা নেলসন, বাঁসিদা নিকরজিৎনি। ম্যুজিক দিরেক্টরনা তোনিনি হায়রি।

লায়েংবগী তেংবাংগী খুদোংচাবশিং লৌমিন্নসি : এল জয়ন্তকুমার

DISTRIBUTION OF CMHT/PMJAY CARD
30th Dec 2019
Keishamthong

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং সী এম ঐচ টি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই)গী মখাদা পীরিবা লায়েংবগী তেংবাংগী খুদোংচাবশিং লৌমিন্নসি হায়না হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালদা পাঙথোকখিবা হকশেলগী কার্দ য়েম্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামথোং এন পি পি দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা পি এম জে এ ৱাইগী কার্দ য়েম্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবগী মতেং ফংহন্নবা অসিগুম্বা স্কিমশিং অসি পায়খৎলকপনি। সী এম ঐচ টিগী মখাদা বিনিফিসরিশিংনা লায়েংবদা লুপা লাখ ২ ফাওবগী তেংবাং ফংলি। পি এম জে এ ৱাইদনা লায়েংবগী লুপা লাখ ৫ ফাওবগী তেংবাং ফংলি। অসিগুম্বা কান্নরবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং নীংথিনা লৌমিন্নসি। শেল লৈতবনা মরম ওইরগা লায়েংবা ঙম্লমদবা মীওই কয়া স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা লায়েংবা য়াওনখ্রে। সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী কার্দ ফংফম থোকপা মীওই খুদিংমক কার্দ ফংহন্নবা হোৎনসি। কৈশামথোং এ সীগী ওইনা হকশেলগী কার্দ মমাঙদসু তাঙ্কক কয়াদা য়েম্থোকখ্রে। ঙসি পি এম জে এ ৱাইগী ওইনা কার্দ ১৯২ অমদি সী এম ঐচ টিগী ওইনা কার্দ ১৫০ পুন্না ৩৪২ য়েম্থোক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১২ গী কোর্পোরেটর পোৎশংবম ওংবী প্রেমিলাসু দেজদা ফমখি।

সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অথুবদা থাদোকউ হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অথুবদা থাদোকউ, মঙোন্দা পাল্লিবা এক্ত লৌথোকউ হায়না ইরাবত ভবনদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার ফাজিনখিবা অসি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা সী পি আই, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ষ্টেটকী মেম্বরশিং য়াওনা ৱাকৎ মীফম ফম্বনি। থা অসিগী ১৯ দা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা ঙমখিবগীদমক মীয়াম্নু থাগৎলি। ষ্ট্রাইক অদুদা নম্ফু-হাফু শীজিন্নবা লৈতে। ককচিং অমদি লমশাংদসু ৱাকৎ মীফম চথখি। লিলোংদা সী পি আইগী লুচিংবা অমুসনা অমদি সিংহজিৎ ফাজিনখি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী নুপী অহুমসু ফাখি। মখোয়দি থাদোরকখি। এল সোটিনকুমারবু ফাজিল্লগা জেলদা থাজিনখি। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম প্রোব্লেম লৈবদগী জেনিমসকী সিক্যুরিটি ৱার্দতা লৈরি। লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি অথুবা মতমদা হন্দোক্তুনা মহাকপু থাদোকপীয়ু। ফাজিনখিবশিংদা পাল্লিবা এক্ত অদু লৌথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লংথবাল লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি এল প্রেমজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমার কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। থা অসিগী ১৯ দা লেফ্‌ট পার্টিশিংনা ইন্দিয়া পুম্বা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কা মরী লৈননা মণিপুরদা চথখিবা ষ্ট্রাইক অদুদা য়ৈখাই-থিনগাইবা অমত্তা য়াওদনা ঈং-তপ্পা পাঙথোকখি। লুচিংবা কয়া ফাজিল্লুরবা তুংদা থাদোকখ্রে। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি হৌজিক ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্লি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ফাজিন্দুনা থম্লিবসি য়ানিংদে। অথুবা মতমদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রোবার্ট নাওরেম ষ্টুদিও এন্দ একাদেমীগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): রোবার্ট নাওরেম ষ্টুদিও এন্দ একাদেমীগী কুমজা ২০২০ গী কেলেন্দর ঙসি উরিপোক খোইশ্নাম লৈকায়দা লৈবা একাদেমী অসিদা ফিল্ম এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রম অমদি একাদেমী অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর রোবার্ট নাওরেমনা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা রোবার্ট নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, কেলেন্দর অসিদা কুমজা ২০১৯ দা ফংখিবা এচিভমেন্ট কয়া অমদি থবক থৌরম কয়া হায়লাইট তৌরি। মণিপুরগী ফিদম্লিংঙাই ওইরবা হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল চাউখৎনবা অমদি ফিশাবীশিং প্রমোট তৌবগী পান্দমদা গ্লোবেল প্লেটফোর্মতা চহী খুদিংগী শো উৎতুনা লাক্লি। দিজাইনর অমা ওইনা লমদম অসিগী হেন্দলুম অমদি টেক্সটাইলগী পোথোকশিং প্রমোট তৌবা হায়বসি মরুওইবা পান্দমনি। ফেসন কেপিটেলনি হায়নরিবা মিলন অমদি পেরিসতা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোকশিং চহী অসিদা উৎখি। ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা সোশিংদসু শরুক য়াদুনা পোথোকশিং উৎলি। লমদমসিগী ফেসন ইনকোর্পোরেট তৌদুনা হেন্দলুমগী পোথোক য়োনবগী চাং হেনগৎকনি। হেন্দলুমগা ফেসনগা তুনা চৎমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা একাদেমী অসিগী ষ্টাইলিষ্ট লাইতোঞ্জম স্রিলানিনি অমদি ষ্টোর মেনেজর লক্ষ্মীসু শরুক য়াখি।

কমরেদ গোপাল লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): তাওথোংদগী কমরেদ গোপালনা লৈখিদবদা সী পি আইনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী পি আইগী লৌমী লূপকী মরুওইবা থৌমী অমা ওইনা কুমজা ১৯৮০গী খোঙজংদা পুলিসকী নোংমৈ মরুনা পানখিবা মৈত্রম গোপাল (৮৮) মশাগী য়ুম তাওথোংদা ঙরাং মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরা, ষ্টেটকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দ অমদি মরুওইবা লুচিংবশিং য়াওনা লৈখিদ্রবগী য়ুমদা চৎতুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৯৪৮ দগী ইরাবতকী লমজিং মখাদা অৱাং জিরি খুলদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী থৌমী অমা ওইরকপদগী পার্টি অসিগী থৌদাং কয়া পুদুনা লাকখি। তাওথোংদা হোংলক্লবা তুংদা লমশাং এ সীদা সী পি আই লিংখৎপদা নত্তনা লমদম অসিদা কোওপরেটিভ সোসাইটিসু লিংখৎলম্মী। লৈখিদ্রবা অসিগী মফমদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

ওথোরাইজ সর্ভিস সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): আর এ এন হোন্দা অমদি হোন্দা মোটোর সাইকল এন্দ স্কুটর প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা আর এন হোন্দাগী ওথোরাইজ সর্ভিস সেন্টর হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুন্যা ওটো মোবাইলগী দিরেক্টর তরুনা মংশাতাবমনা চীফ গেষ্ট, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ মেনেজর দিনকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। পুন্যা হোন্দাগী প্রোপ্রাইটর এন্দি মংশাতাবমসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

এন্দিনা ফোঙদোকখিবদা, হোন্দা অসি মণিপুরদা য়াম্না লিংবা ব্রান্দনি। স্কুটরগী মার্কেটতদি হোন্দানা নম্বর ৱাননি। হোন্দা এক্টিভা অসিনা খ্বাইদগী পোপ্যুলর ওইবা মোদেলনি। পুন্যা হোন্দানা থা অমদা স্কুটর ৭০০ গী মথক্তা য়োল্লি হায়নসু মখা তাখি।

‘মথাই ইন্টরপ্রাইজেস শিন্মী মীয়ামগী য়েক্লবনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস শিন্মী মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মনিভা কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেসনা এফ সী আই সঙাইপ্রৌ গোদাউনদা অনৌবা শিন্মী ঙাক্তা পুশিন্দুনা থবক শুনবা হোৎনরিবা অসিদি অতৈ করিসু ওইরমদ্রে। অনৌবা মীওইশিং অদুদগী শেল লৌবা য়ানবা চথুবা ওইরম্লে। হীরম অসিদা করিসু খঙদ্রিবা লেবর খরবু গোদাউন অসিদা রেগ্যুলর ওইনা থবক শুহল্লগনি হায়জিন্দুনা মথাইগী মহুৎ শীনবা মীওই খরনা হৌজিক থবক শুরিবা মীওই কয়াদগী শেল লৌদুনা থবক শুহনবগী খুদম চাংদম কয়া লৈরে। শিশ্রবা মীগী মিংদা ফাওবা শেল লৌথোকপা ঙম্বা থৌওং অসিদগী এসোসিএসনগী মেম্বর অমসু লৈখিদ্রবনি। মীওই কয়া অমম্বদা শুরিবা থবক্তগী তোকচরগে হায়রবসু কন্ট্রেক্টরগী মীওইশিংনা লৌশিনখিবা শেলশিং অদু মাঙলগদ্রা খন্দুনা ৱানা খাংলি। স্কিল লৈবা শিন্মী য়াওদবনা এফ সী আই গোদাউনগী নোর্মেল ৱার্কতা অকায়বা কয়া য়াওরবসু কন্ট্রেক্টর লৈবগী করিসু হায়বা ঙমদনা লৈরি। লৈবাক অমা চাউখৎপা হায়বসি মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী পুন্সি মহিং ফগৎলবা মতমদা ওইগদবনি।

এফ সী আই, এফ এস দিগী ওইনসু লৈরিবা শিন্মীশিং অদুগী রাইট ফংলবা মতমদা তঙাইফদনা সর্ভিস তৌবা ঙমগদৌরিবনি। অচুম্বগীদমক খোঙজং চঙশিল্লিবা শিন্মী ৮১গা মথাইগা চাংদম্নবদা মথাইনা হেন্না লুনা লৌরি। মসিনা তাকপদি এফ সী আই মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌদ্রে হায়বনি। কন্ট্রেক্টরগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরে হায়দবা ঙম্লোই। মতম শাংনা ৱারক্লবা শিন্মীশিংগী ৱাকৎ তাবীবগী মহুৎতা কন্ট্রেক্টরনা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌবদা এফ সী আই অমদি লৈঙাক্লা তুমীন্না য়েংদুনা লৈবসি য়ানিংদে। মসি শিন্মী খুন্নাইবু শিংনবনি। থোক্লিবা দিস্প্যুট অসিগা মরী লৈননা এফ সী আই খক্তা নত্তনা ষ্টেট গোদাউন, সঙাইপ্রৌগী শিন্মীশিংসু য়াওনা কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ২ দগী গোদাউনগী থবক লেপ্পগা লোয়ননা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মনিভা কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

‘ৱাথোক লোইশিন্দুনা শিন্মীশিংগী মচাশিং ঈংনা চিক্লা মহৈ তম্বা ফংহল্লু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): এফ সী আই সঙাইপ্রৌগী ৱাথোক লোইশিন্দুনা শিন্মীশিংগী মচাশিং ঈং-চিক্লা মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সী আই গোদাউনদা থবক শুদুনা ইমুং-মনুং পুরম্বা অমদি মচাশিংবু মী ওইনবা মহৈ তমহন্দুনা লাকখিবা শিন্মী কয়াবু খঙহৌদনা থবক্তগী লৌথোকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা শিন্মীশিংগী ইমুং-মনুংগী হিংবগী লম্বীদা অৱাবা মায়োক্লরক্লি। শিন্মীশিংনা মখোয়বু থবক শুবা ফংহনবীয়ু হায়না ৱারোইশিন ফম্মিন্নদুনা পুরকপগী মহুৎতা শিন্মীশিংগী ৱাথোক অসিবু নম্ফুদা লোইশিনগনি হায়না খনবা মানবা মওংদা শিন্মী ৩১ ফাজিন্দুনা ঙসি ফাওবা থম্লি। শিন্মী ফাজিন্দুনা থম্লিবা অসিনা ঙসিগী লৈঙাক অসি লায়রবা শিন্মীশিংগীদি শরুক য়াওদ্রবা অমদি লায়রবা মীচম কয়াগী ৱাকৎ তাররোইদবা লৈঙাক অমা ওইরব্রা হায়না লৈঙাক্কী মফমদা হংলি।

ফাজিনখ্রিবা শিন্মীশিং চয়োল অমগী মনুংদা থাদোকপগা লোয়ননা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। ফাজিনখ্রিবা শিন্মীশিং অসিনা ইমুং-মনুং পুরম্বনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং পুম্বা চরা হেনবগী ফীভমদা লাক্লি। মচাশিং মহৈ তম্বা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্লে। মচাশিংনা লাইরিক তম্বা ঙমদবগী ফীভম লাক্তুনা ঐখোয় লাইরিক তম্বা তোকচরগে হায়না পীক্লিবা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিঙাই ওইবা ফীভম অমদা এদ্যুকেসন (এস)তা লাইরিক খাও অমদি মখোয়না তম্মরিবা লাইরিক ফাওবা সরেন্দর তৌবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিনখ্রে। পীক্লিবা মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা খোঙজং চঙশিনখ্রবসু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা তুমীন্না লৈশিল্লিবা অসি লূপ অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মতম শাংনা তান্দুনা লাকখিবা শিন্মীশিংগী খোল্লাওবু তাবীবগা লোয়ননা ফাজিনখিবা শিন্মীশিং অদু চয়োল অমগী মনুংদা থাদোকপীয়ু। পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদুনা পীক্লিবা মহৈরোয়শিং অদু ঈংনা তপ্না মহৈ তম্বা ফংননবা হোৎনদ্রবদি কে এস এনা ঈংনা তপ্না মহৈ তম্বা ফংদ্রবা তুংগী থাজবা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অদুগীদমক তুমীন্না লৈথোক্লরোই। মখোয়গীদমক লূপ অসিনা চপ চানা লেপ্পগা লোয়ননা মখোয়বু মনিং তম্না অমদি ঈং-তপ্পা মহৈ তম্বা ফংহন্নবগীদমক লূপ অসিনা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোইদবা লৈরবদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরসু ফম কোন্দুনা লৈবা চুমগনি থাজদে। এফ সী আই সঙাইপ্রৌগী ৱাথোক লোইশিন্দুনা শিন্মীশিংগী মচাশিংবু ঈংনা তপ্পা মহৈ-মশিন তম্বা ফংহনবীয়ু। ফাজিনখিবা শিন্মীশিং অথুবদা থাদোক্তুনা ঈং-তপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। পীক্লিবা মচাশিংনা মহৈ-মশিন তম্বা ঙম্লক্তবদগী লাইরিক সরেন্দর তৌবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই ময়েক শেংনা লৈ : সভা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই ময়েক শেংনা লৈ হায়না কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা খুদারিবা রেকগনাইজ ট্রাইব ৩৪ য়াওনা ফুরুপ ৩৬ রোম অসিগী মনুংদা গান-ঙাই পাঙথোকপা ফুরুপ খরা লৈরম্বা য়াই। কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই ময়েক শেংনা লৈ। গান-ঙাইগী মরমদা চহী ২৬ লোমগী মমাং কুমজা ১৯৯৩ গী জন্যুৱারী ৬ তা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী খুঙ্গংগী থৌরমদা মণিপুরী লোলদা দি এল কবুইনা মিনট ১০ ৱা ঙাংখি। গান-ঙাইবু হাও হরাওবা হায়না খঙনরম্বা অদু তোকখ্রে। হান্নদি মহাবলি কবুই খুল হরাওবা, মোইরাংখোম কবুই খুল হরাওবা, কৈশামথোং কবুই খুল হরাওবা হায়না খঙনরম্বনি। কুমজা ১৯৯৫ তসু ওর্গনাইজেসন অসিনা গান-ঙাইগী য়াইফ-পাউজেল প্রেসতা থাদোকখি। কুম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণরনা গান-ঙাইগী য়াইফ-পাউজেল অহানবা ওইনা প্রেসতা থাদোকখি। আই সী টি ভি লৈরিঙৈ মতমদা গান-ঙাইগী মরমদা দি এল কবুইনা কুমজা ১৯৯৮ তা মণিপুরী লোলদা ৱা ঙাংখি। গান-ঙাই অসি অমুক্কা হেন্না মীয়ামদা পাক-শন্না খঙনবগী খুদোংচাবা ফংখি।

কুমজা ১৯৮৩ দা কখুলোং জুনিয়র হায় স্কুলদা গান-ঙাইগী মরমদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। গান-ঙাই হায়রিবা কুম্মৈ অসি কবুই ফুরুপকী হরাও-কুম্মৈশিংগী মনুংদা পাখং-লৈশাবীনা য়াম্না পামজনা হরাওজবা কুম্মৈ অমনি। গান-ঙাই অসি পাখং-লৈশাবীদা নত্তে। অহল-লমন, নুপী-অঙাং পুম্নমক্লা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা কুম্মৈ অমনি। চুম্না হরাও-তয়াম্বতা নত্তনা গান-ঙাই মনুংদগী লমচৎ, হৌনলোনচৎ খঙলকই। মীগী সর্ভিস হৈতবা পাখং-লৈশাবী কয়া গান-ঙাই মনুংদগী হৈরকই। গান-ঙাই মনুংদা লাগং, লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ য়াওই হায়না কবুই ফুরুপ চৎপা কাঙলুপনা থাজনৈ।

হরাওরিঙৈ মনুংদা ইরাৎ থৌরম অমদি অতৈ লাই-তীনগী থৌরম তৌবা য়াদে। পাখং-লৈশাবীশিংনা নত্তবা লমচৎ অমদি চেন-চোংবা য়াদে। করিগুম্বা চেন-চোংবা তারবদি চেল্লিবা অমদি লৈশা লাকপশিংগী মথক্তা চৎনবী মতুংইন্না মতিক চাবা ৱারক কোংহল্লি। পাখং-লৈশাবীশিংনা মদু ঙাক্লা চৎনৈ। হনুবা অহলশিং নত্তনা ময়ুমদা তূম্বা য়াদে। মখোয়দি ময়ুমদা তূমজরবসু নুপা-নুপী য়ুম্বানবগী মরী লৈনদে। মশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্মী। মরম অদুনা ময়ুমদা তূম্বনি। মসি গান-ঙাইগী মনুংদা ঙাক্লা চৎনৈ। ময়ুম পাল্লবা নুপা অমসুং পাখং অমনা পাখং ফানদা তূমদনা ময়ুমদা তূম্লবদি নোংঙাল্লগা পাখংশিংনা ময়ুমদা তূম্বগী লক্ক-ঈশৈ শক্তুনা চৎকনি। কবুইনা মসিবু কাইজিপ লাওমৈ হায়না খঙনৈ। মসি অতোপ্পা খুলদগী লাকপা নুপাদা ফাওবা তৌই। মসি য়াম্না ঈকায়নৈ। পাখং ফানগী ইমুংদা নুপী মীরোনবী য়াওরবসু পাখং অমত্তা হায়রিবা থৌরম অসি তৌবা য়াদে। ময়ুম পাল্লবা নুপাশিংগী মরক্তগী খনগৎকনি। গান-ঙাইগী থৌরম অসি য়াম্না লুবা থৌরম ঙাক্তনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহম্থোক পাক চাউনা লৈ। কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোলদগী মৈ অসি তাইবং মীনা শীজিন্নদুনা লাক্লবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি লৌই হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII
CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-P/5855/4/12-4/01